সনালৈবাক স্পোর্টস

IMPHAL, FRIDAY, DECEMBER 01, 2017 **PAGE 7**

হন্দক্তা পাঙথোকখিবা চাইনা ওপন অমসুং হোং কোং ওপন সুপর সেরিজ শোক্তুনা শরুক য়াহৌদবা মরম্না ৱার্ল্ড নম্বর থ্রিদা লৈরম্বদগী ৱার্ল্ড নম্বর ফাইভতা হন্থখ্রবা ইন্দিয়াগী কিদম্বি সিকান্থ

মালেমগী ফুটবোল ক্লবশিংগী ত্রান্সফারদা তোঙানবা লৈবাকশিংদগী কন্না মীৎয়েং চঙশিল্লক্তুনা য়ুরো মিলিয়ন ২০০ ফাওবা পীগে হায়না ফোঙদোক্লরক্লিবা ইটালিগী ইন্টর মিলানগী কেপ্টেন মোরো আইকার্দি

সাইখোম মিরাবাই চনুনা চহী ২০ গী মতুংদা ৱার্ল্ড ৱেথলিফটিং চেম্পিয়নসিপ্তা ইন্দিয়াগী গোল্ড মেডল ফংখ্রে

য়ুএসএগী অনাহেমদা পাঙথোকপা ৱার্ল্ড ৱেথলিফটিং চেম্পিয়নসিপ্তা গোল্ড মেডল ২ ফংখ্রবী মিরাইবাই (ময়ায়)

এনাহেম, নবেম্বর ৩০ঃ

যুএসএগী কার্লিফোনিয়া ষ্টেটতা লৈবা এনাহেমদা পাঙথোকপা ৱার্ল্ড ৱেথলিফটিং চেম্পিয়নসিপ্তা ইন্দিয়াগী ৱেথলিফটর অমা ওইরিবী মণিপুরী মচা সাইখোম মিরাবাই চনুনা ইন্দিয়াগী ওইনা চহী ২০ গী মতুংদা চেম্পিয়নসিপ অসিদা ইন্দিয়াগী গোল্ড মেডল ফংবা ঙমখ্রে।

সাইখোম মিরাইবাই চনুনা নুপীগী কেজি ৪৮ গী কেটেগোরিদা পুন্না কিলোগ্রাম ১৯৪ থাঙ্গৎতুনা মশামক্তা ইন্দিয়াগী ওইবা রেকোর্দ মমাঙগী চহীদা কেজি ১৯২ গী রেকোর্দ অদু থুগাইবা ঙমখি।

কুমজা ১৯৯৭ দা সাইখোম মিরাইবাইগী আইদোল ওইরিবী এন কুঞ্জরানি দেবীনা ৱার্ল্ড চেম্পিয়নসিপ্তা সিলভর মেডল ফংখিবা অদুগী মতুংদা ঙসি মিরাইবাইনা ফংখিবা গোল্ড মেডল অদুনা ৱার্ল্ড চেম্পিয়নসিপকী মেডল ওইখি।

নীংশিংবা য়াবদি কুমজা ১৯৯৫ দা ইন্দিয়াগী ওইনা ৱার্ল্ড ৱেথলিফটিং চেম্পিয়নসিপ্তা কেজি ৫৪ গী কেটেগোরিদা ইন্দিয়াগী কে মালেশ্বরীনা গোল্ড মেডল ফংখিবনি।

মশাগী চহী ২৩ দা ঙাইরিবী ইন্দিয়ান রেলৱেজদা থবক তৌরিবী মিরাইবাইনা য়ুএসএগী ৱার্ল্ড ৱেথলিফটিং চেম্পিয়নসিপ অদুগী কেজি ৪৮ গী কেটেগোরিদা স্নেসতা কেজি ৮৫, ক্লিন এন্দ জর্গতা কেজি ১০৯ পুন্না কেজি ১৯৪ থাঙ্গৎতুনা গোল্ড মেডল ফংখি।

ৱেথলিফটিং মশান্নগী ওইনা কেটেগোরি অমদা গোল্ড মেডল ৩ লৈ। স্নেসতা মিরাইবাই অহুমশুবা তাহৌখি। অদুবু ক্লিন এন্দ জর্গতা মহাক্না মকোক ওইদুনা গোল্ড মেডল অমা ফংবগা লোয়ননা ওভর ওলদসু গোল্ড ফংলগা অনী শুখি।

ইভেন্ট অদুদা থাইলেন্দগী লিফটর ৱার্ল্ড জুনিয়র চেম্পিয়ন অনীরক ওইবা ঙমখ্রবা থুনয়া সুকসারোননা পুন্না কেজি ১৯৩ থাঙ্গৎতুনা সিলভর মেডল অদু ফংখি। অদুগা কলম্বিয়াগী পান অমেরিকান চেম্পিয়ন অনা সেগুরানা কেজি ১৮২ থাঙ্গৎলগা ব্রোঞ্জ মেডল অদু লৌখি।

মিরাইবাইনা মহাক্কী কেরিয়রদা রিও ওলিম্পিক্স গেমসতা মায় পাকপা ঙমখিদবা অদু মহাক্কী খ্বাইদগী নুংঙাইতবা থৌদোক্কি হায়না ফোঙদোকখি। মদুগী মতুং ময়ুমদা হল্লক্তুনা পঞ্জাবগী পটিয়ালাদা পাঙথোকপা নেসনেল কেম্পতা মপুং ওইনা ক্লিন এন্দ জর্গতা মীৎয়েং চংদুনা অকনবা ত্রেনিং চথখি।

মহাক্কী কেরিয়রদা কুমজা ২০১১ দা পাঙথোকখিবা ইন্টরনেসনেল য়ুথ চেম্পিয়নসিপ্তা গোল্ড মেডল ফংখি। সাউথ এসিয়ান জুনিয়র গেমসতসু গোল্ড ফংখি। মদুগী মতুং কুমজা ২০১৩ দা পাঙথোকপা জুনিয়র নেসনেল চেম্পিয়নসিপ্তা খ্বাইদগী ফজবা লিফটরগী মনাসু ফংখি।

কুমজা ২০১৪ কম্মনৱেল্থ গেমসতা সিলভর মেডল ফংলগা কুমজা ২০১৬ কী সাউথ এসিয়ান গেমসতা গোল্ড মেডল লৌবা ঙমখিবনি।

এসিয়ান আর্চরি চেম্পিয়নসিপ্তা ইন্দিয়াগী টিম্না গোল্ড ৩, সিলভর ৪ অমসুং ব্রোঞ্জ মেডল ২ ফংবা ঙমখ্রে



এসিয়ান আর্চরি চেম্পিয়নসিপ্তা গোল্ড ফংখ্রবা অভিসেক বর্ম

ধাকা, নবেম্বর ৩০ঃ

বাংলাদেশকী কোনুং ধাকাদা পাঙথোকপা এসিয়ান আর্চরি চেম্পিয়নসিপ্তা ইন্দিয়াগী আর্চরশিংনা য়াম্না ফজবা পার্ফোমেন্স উৎপা ঙমদুনা গোল্ড মেডল ৩, সিলভর ৪ অমসুং ব্রোঞ্জ মেডল ২ লৌবা ঙমখ্রে।

চেম্পিয়নসিপ অদুদা শরুক য়ারিবা ইন্দিয়াগী জুনিয়র বোইজগী আর্চর অনী অমসুং জুনিয়র গার্লসকী আর্চর অমা ফজবা পোইন্ট ফংবা ঙমদুনা মথং চহীদা আর্জেন্টিনানা য়ুম্বু ওইরগা লৈবাক অদুগী কোনুং বিনোস আইরেজদা পাঙথোক্কদৌরিবা ২০১৮ য়ুথ ওলিম্পিক্সকীদমক ক্কালিফাই ওইবা ঙমখ্রে।

ইন্দিয়াগী চহী ১৫ দা ঙাইরিবা হরিয়ানা ষ্টেটকী হিমানি কুমারীদা রিকর্ভ কেদেটকী ব্রোঞ্জ মেডলগী প্লে ওফতা মোঙ্গোলিয়াগী লম্বা বায়াসগালান বদামজোনিবু পোইন্ট ৭–১ দা থোইদুনা ব্রোঞ্জ মেডল অদু ফংবদগী য়ুথ ওলিম্পিক্সকীদমক ক্কালিফাই ওইখিবনি।

চেম্পিয়নসিপ অসিগী মমাঙদা পাঙথোকখিবা ইন্দিয়াগী কেদেট আর্চর অনী অকাস অমসুং ধিরজ বোমাদেবরাগী লম্বাদা অকাসনা ধিরজবু পোইন্ট ৬–৪ দা মায়থিবা পীদুনা গোল্ড অমসুং সিলভর মেডল ফংখিবদগী আর্চর অনীমক আর্জেন্টিনাগী য়ুথ ওলিম্পিক্সতা শরুক য়াবা ঙমগদৌরিবনি।

অকাস অমসুং ধিরজগী কেদেট রিকর্ভ ফাইনেল অদু য়াম্না ফজবা ওইখি। হৌরকপদা ধিরজনা অকাসপু পোইন্ট ৪–০ দা সেট অনী লোইশিল্লকপদা মাঙজিল থাবা ঙমখি।

অদুবু অকাসনা মখা তারকপা সেটতা পোইন্ট ৬ য়াম্না ফজবা মওংদা লৌদুনা ধিরজবু ফাইনেল অদুদা মায়থিবা পীখিবনি।

এসিয়ান আর্চরি চেম্পিয়নসিপ অসিগী নুপাগী সেনিয়রগী রিকর্ভ ফাইনেলদা ইন্দিয়াগী জেয়ন্ত তালুকদার, অতানু দাস অমসুং আসদেব মখোয়গী লম্বা ওইখিবা কোরিয়াগী মখূত্তা পোইন্ট ১–৫ দা মায়থিহৌদুনা সিলভর মেডল ফংখি।

ইন্দিয়াগী আর্চর অভিসেক বর্মনা ইন্দিভিজুয়েল রিকর্ভতা কোরিয়াগী আর্চর কিম জোং হোবু মায়থিবা পীদুনা গোল্ড মেডল লৌবা ঙমখি।

কুমজা ২০১৪ গী ইঞ্চিওন এসিয়ান গেমসতা অভিসেক বর্ম সিলভর মেডল ফংহৌবনি। ইভেন্ট অসিদা ঙসি গোল্ড ফংখিবা অদুদা মহাক্কী মায়কৈদগী মথং চহীদা ইন্দোনেসিয়ানা য়ুম্বু ওইরগা পাঙথোক্কদৌরিবা এসিয়ান গেমসকীদমক শেম শারকপদা য়াম্না চাউবা থৌনা অমা ফংখি হায়রি।

ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী ওলিম্পিক্সতা য়াওদবা কম্পাউন্দ ইভেন্টতা গোল্ড অনী ফংখি। নুপীগী ইন্দিয়াগী কম্পাউন্দ টিমগী আর্চর জোতি সুরেখা ভেনাম, ত্রিসা দেব অমসুং পর্বিনা না সাউথ কোরিয়াগী সো সে ৱোন, সোই বোমিন অমসুং সোং য়ুন সুবু পোইন্ট ২৩০–২২৭ দা মায়থিবা পীদুনা গোল্ড ফংখি।

অভিসেক বর্মনা নুপাগী টিম কম্পাউন্দ ফাইনেলদা গুরবিন্দর সিংহ অমসুং রাজট চৌহাননা কোরিয়াগী চোং হোং, সোই য়োংহি অমসুং কিম টেয়োনগী মখুত্তা মায়থিদুনা সিলভর ফংহৌখি।

কম্পাউন্দ মিক্স কেটেগোরিদা ইন্দিয়াগী টিম সাউথ কোরিয়াগী মখূত্তা মায়থিদুনা সিলভর ফংখি। হায়রিবা ইভেন্ট অদুগী ইন্দিভিজুয়েলদা ইন্দিয়াগী জোতি ব্রোঞ্জ মেডল ফংখি।

এসিয়া কপ টাইটল ফংখ্রবা মতুং ইন্দিয়াগী হোক্কি টিম্না হোক্কি ৱার্ল্ড লীগ ফাইনেল লৌননবা মীৎয়েং থম্বা হৌখ্রে

ভুবনেশ্বর, নবেম্বর ৩০ঃ

হন্দক্তা এসিয়া কপ হোক্কি টুর্নামেন্টকী টাইটল ফংবা ঙমখ্রবা ইন্দিয়াগী নুপাগী হোক্কি টিম অসিদা হয়েংদগী উরিষাগী কোনুং ভুবনেশ্বরদা পাঙথোক্কদৌরিবা হোক্কি ৱার্ল্ড লীগ ফাইনেলসতসু মায় পাক্লনবা মীৎয়েং থম্বা হৌখ্রে।

নীংশিংবা য়াই বাংলাদেশকী কোনুং ধাকাদা পাঙথোকখিবা এসিয়া কপ হোক্কি টুর্নামেন্ট অদুগী ফাইনেলদা চহী ১০ গী মতুংদা ইন্দিয়ানা চেম্পিয়ন ওইদুনা টিম অসিগী পার্ফোমেন্স ফজবা হেনগৎলকপনি।

হায়রিবা টুর্নামেন্ট অদুগী ফাইনেলদা ইন্দিয়াগী টিম অদুনা মালেসিয়াবু পাঞ্জল ২–১ দা মায়থিবা পীদুনা টাইটল অদু লৌবা ঙমখি।

ভুবনেশ্বর সিটিদা লৈবা কলিঙ্গ ষ্টেদিয়মদা হয়েংদগী হৌগদৌরিবা হোক্কি ৱার্ল্ড লীগ ফাইনেলস অদুদা ইন্দিয়ানা অতোপ্পা টিম ৭ তা লম্বা তৌনগদৌরি।

য়ুম্বু ওইরিবা ইন্দিয়াগী টিম পুল (বি) দা ওস্ট্রেলিয়া, জর্মনি অমসুং ইংলেন্দগা লম্বা তৌনগদৌরি। অমরোমদা পুল (এ) দা আর্জেন্টিনা, বেলজিয়ম, নেদরলেন্দস অমসুং স্পেন শান্নগদৌরিবনি।

ইন্দিয়াগী চীফ কোচ ওইরিবা সোর্দ মারিনেনা থা অনীগী মমাঙদা মতম শাংনা ইন্দিয়াগী হোক্কিগী কোচ ওইদুনা থৌপুরকখিবা রোলেন্ট ওল্টমেন্সকী মহুৎ শিল্লকখিবনি।

লৈবাক ৮ না শরুক য়াদুনা শান্নগদৌরিবা হোক্কি ৱার্ল্ড লীগ ফাইনেলস অসিগী অহৌবা মেটচতা য়ুম্বু ইন্দিয়ানা হৌজিক–হৌজিক ৱার্ল্ড নম্বর টু ওইরিবা ওস্ট্রেলিয়াগা লম্বা তৌনগদৌরি।

ওস্ট্রেলিয়াগী টিম অসিনা ইন্দিয়াবু হৌখিবা চহী খরা অসিদা চেম্পিয়ন্স ট্রোফি, অজলান সাহ হোক্কি টুর্নামেন্ট অমদি কম্মনৱেল্থ গেমসতা মায়থিবা পীদুনা লাক্লি।

হোক্কি ৱার্ল্ড লীগ অসি কুমজা ২০১২ গী মতুংদা লাকখিবনি। ইন্টরনেসনেল হোক্কি ফেদরেসননা ফোঙদোকখিবদগী মতুংইন্না হোক্কি ৱার্ল্ড লীগ অসি মকোক মথং তাবশিং সম্মর ওলিম্পিক্স গেমস অমসুং ৱার্ল্ড কপ হোক্কি টুর্নামেন্টতা ক্কালিফাই ওইবা য়াবগী টুর্নামেন্ট অমদি হায়না লাওথোকখিবদগী লীগ অসি য়াম্না মরু ওইরক্লি।

লীগ অসি হয়েংদগী হৌরগা দিসেম্বর ১০ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবনি। চেম্পিয়ন ওইবা টিম অদুনা মথং চহীদা পাঙথোক্কদৌরিবা হোক্কি শান্নবা লৈবাকশিংগী খ্বাইদগী থাক ৱাংবা টুর্নামেন্টনি লৌনরিবা চেম্পিয়ন্স ট্রোফি হোক্কি টুর্নামেন্টকীদমক ক্কালিফাই ওইগদৌরিবনি।

মণিপুরগী সলাই ক্রিপ্সা অমসুং ইষ্টর্ন স্পোর্টিং য়ুনিয়ন ইন্দিয়ান ৱুমেন্স লীগ ফুটবোলদা মায় পাকপা ঙমখ্রে

HERO INDIAN WOMEN'S LEAGUE 2017-18
QUALIFIERS ROUND
PLAYER OF THE MATCH
ALL INDIA FOOTBALL FEDERATION
Hero

ফজবা শান্নরোইগী মনা ফংখ্রবী সলাই ক্রিপ্সাগী দাংমৈ গ্রেস (ওই) অমদি ইএসয়ুগী রঞ্জিবালা

কোলাপুর, নবেম্বর ৩০ঃ

মহারাষ্ট্রদা লৈবা কোলাপুরনা য়ুম্বু ওইরগা রজারসি সাহু ষ্টেদিয়মদা থা অসিগী ২৫ দগী চথরকপা হিরো ইন্দিয়ান ৱুমেন্স লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৭–১৮ কী ঙসি শান্নখিবা পুল (বি) গী মেটচ অনীদা মণিপুরদগী হৌখিবা ক্লব অনী সলাই ক্রিপ্সা অমসুং ইষ্টর্ন স্পোর্টিং য়ুনিয়ন মখোয়–মখোয়গী মেটচশিং মায় পাকখ্রে।

ইষ্টর্ন স্পোর্টিং য়ুনিয়ননা য়ুনাইটেদ ৱারিয়র স্পোর্টিং ক্লব পঞ্জাবকা শান্নবদা পাঞ্জল ২–০ দা মায় পাকপা ঙমখি। মেটচ অদুগী অহানবা হাল্ফ টিম অনীমক লম্বা কন্না থেংনখি। পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা অহানবা হাল্ফ অদু লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফকী পুংখায় অমা ফারমদাই মেটচকী ৭১শুবা মিনটতা ইষ্টর্ন স্পোর্টিং য়ুনিয়নগী রঞ্জিবালানা মেটচকী অহানবা পাঞ্জল অদু চনখি।

শান্নবা লোইগদবা মিনট ৪ দা ঙাইরবা মতমদা পঞ্জাবগী য়ুনাইদেট ৱারিয়র স্পোর্টিং ক্লবনা মখোয়গী ইক্কোলাইজর অদু ফংবা ঙমদনা লৈরিঙৈ মেটচকী অহানবা পাঞ্জল চনবা ঙমখিবী ইষ্টর্ন স্পোর্টিং য়ুনিয়নগী রঞ্জিবালানা মশাগী অমসুং ক্লব অদুগী অনীশুবা পাঞ্জল অদু চল্লগা মেটচ অদু মখোয়না পঞ্জাবগী য়ুনাইটেদ ৱারিয়র স্পোর্টিং ক্লবপু ২–০ দা থোইখি।

পাঞ্জল অনী চনবা ঙমখিবা রঞ্জিবালানা মেটচ অদুগী খ্বাইদগী ফজবা শান্নরোইগী মনা ফংখি। ইএসয়ুগী টিম মেটচ ২ শান্নবদা অনীমক মায় পাক্লুনা পোইন্ট ৬ ফংলগা পুল (বি) গী পোইন্ট টেবলদা অনীশুবা পোজিসনদা লৈরি।

পুল অদুদা শরুক য়ারিবা অতোপ্পা মণিপুরগী ক্লব সলাই ক্রিপ্সানা মখোয়গী অহুমশুবা মেটচ অদু সাই ৱুমেন ফুটবোল টিম্বু পাঞ্জল ৫–০ দা মায়থিবা পীখি।

মেটচকী অহানবা হাল্ফতা সলাই ক্রিপ্সানা সাই ৱুমেন টিম্বু পাঞ্জল ৪–০ দা মাঙজিল থাবা ঙমখি। মেটচকী অহানবা পাঞ্জল অদু শান্নবগী ২৬শুবা মিনটতা নহা ওইরিবী দাংমৈ গ্রেসনা চনখি। মিনট ৮ লৈরগা টিম অদুনা চথখিবা এটেক অমদা এল অসারানিনা শান্নবগী ৩৪শুবা মিনটতা টিম অদুগী অনীশুবা পাঞ্জল অদু হাপচিনখি।

ইকুই কুইদনা সলাই ক্রিপ্সাগী এন রতনাবালানা ৩৬শুবা মিনটতা টিম অদুগী অহুমশুবা পাঞ্জল অদু চন্দুনা সাই ৱুমেন ফুটবোল টিম্বু মখোয়না য়াম্না কোম্না ৩–০ দা মাঙজিল থাখি।

সাই ৱুমেন ফুটবোল টিম্না সলাই ক্রিপ্সাগী পাঞ্জল ৩ অদুগী মনুংদা অমফাওবা হন্দাকপা ঙমদনা লৈরিঙৈ শান্নবগী ৪২শুবা মিনটতা মণিপুরগী ক্লব অদুগী মায়কৈদগী এস রঞ্জনানা পাঞ্জল অমা চন্দুনা সাই ৱুমেন ফুটবোল টিম্বু সলাই ক্রিপ্সানা পাঞ্জল ৪–০ দা মাঙজিল থারগা মেটচকী অহানবা হাল্ফ অদু লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফতা সাই ৱুমেন ফুটবোল টিম্না ফনা কন্না হোৎনরবসু শোথখিবা পাঞ্জল ৪ অদুগী মনুংদা পাঞ্জল অমত্তা হন্দাকপা ঙমদনা লৈখি।

শান্নবা লোইগদবা মিনট অমত্তা ঙাইরবা মতমদা সলাই ক্রিপ্সাগী অহানবা হাল্ফতা টিম অদুগী অহুমশুবা পাঞ্জল চনখিবী এন রতনাবালানা ৮৯শুবা মিনটতা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা সাই ৱুমেন ফুটবোল টিম্বু ৫–০ দা থোইখি।

মেটচ অদুদা অহানবা পাঞ্জল চনখিবা অমদি অতোপ্পা টিমমেটশিংনা পাঞ্জল চনবদা চাউনা মতেং পাঙখিবা দাংমৈ গ্রেসনা ঙসিগী মেটচ অদুগী খ্বাইদগী ফজবা শান্নরোইগী মনা ফংখি।

পুল (বি) দা সলাই ক্রিপ্সাগী টিম ঙসি মায় পাকখিবা অদু থারগা মেটচ ৩ শান্নবদা অহুমক মায় পাক্লুনা পোইন্ট ৯ ফংবগা লোয়ননা পুল অসিগী মকোক্তা লৈবা ঙন্নি।

৫শুবা ৭–এ সাইদ ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৭ এসএমএলভিও অমদি এসৱাইদিএ মায় পাকখ্রে

এসৱাইদিএ অমসুং এল ৱাই য়ু না শান্নখিবা ৭–এ সাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৭ কী মেটচ অমা

ইম্ফাল, নবেম্বর ৩০ঃ

এসএমএলভিও বিজয়গোবিন্দা শীন্দুনা চথরক্লিবা ৫শুবা ৭–এ সাইদ ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৭ কী ঙসি শান্নখিবা অহানবা মেটচতা এসএমএলভিওনা এমএমসিটিএল বু গোল ৭–১ দা মায়থিবা পীখ্রে।

মায় পাক্লবা এসএমএলভিওগী গোলশিং অদু মেটচকী অহানবা হল্ফকী অহানবা মিনটতা দিহেম কমৈনা গোল ১, মিনট ৫, ১১,৩২ অমদি ৩৫ শুবদা এ মনিচন্দ্র না গোল ৪, মিনট ২৩ শুবদা টি ঐচ ক্রিসনা গোল ১ অমদি মিনট ২৫ প্লস ১ শুবদা ৱাই অসিনিকুমারনা গোল ১ চনখিবনি।

মায়থিরবা এমএমসিটিএলগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদু মেটচকী মিনট ৪০শুবদা আর কে লোয়াঙম্বনা চনখিবনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী মখা চথরকপা অনীশুবা মেটচতা এসৱাইদিএ না এল ৱাই য়ুবু গোল ৪–১ দা মায়থিবা পীখ্রে।

মায় পাক্লবা এসৱাইদিএগী গোলশিং অদুনা শান্নবগী মিনট ১৫ শুবদা এম অঙাংপুনা গোল ১, মিনট ১৮শুবদা লংজংমৈ কমৈনা গোল ১, মিনট ৪১ শুবদা কজায় গাংপুনা গোল ১ অমদি মিনট ৫০ প্লস ১ শুবদা গৌলাল সিএমনা গোল ১ চনখিবনি।

মায়থিহৌরবা এলৱাইসিগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদু মেটচকী মিনট ৪৫শুবদা থোংদালৌ হাওকিপনা চনখিবনি।

ইংলিস প্রেমিয়র লীগতা মেঞ্চেষ্টর সিটিনা মাঙজিল থাদুনা চৎলি

লন্দন, নবেম্বর ৩০ঃ

লন্দনদা চথরিবা ইংলিস প্রেমিয়র লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টতা মেটচ অমত্তা মায়থিবা নংদ্রিবা মেঞ্চেষ্টর সিটিনা মাঙজিল থাদুনা চৎলি।

মেঞ্চেষ্টর সিটিনা মখোয়গী ১৪শুবা রাউন্দগী মেটচ অদু সাউথমতনগা শান্নবদা পাঞ্জল ২–১ দা থোইদুনা পুন্না পোইন্ট ৪০ ফংদুনা মখোয়গা খ্বাইদগী নক্নবা লম্বা ওইরিবা মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদতগী পোইন্ট ৮ হেন্দুনা চৎলি।

ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা মেটচ অমদা লিভরপুলনা ষ্টোক সিটিবু পাঞ্জল ৩–০ দা থোইখি। অমরোমদা মরিশুবা পোজিসনদা লৈরিবা অর্সনেলনা হদর্সফিল্ড টাউন্দবু পাঞ্জল ৫–০ দা থোইদুনা পোইন্ট ২৮ ফংদুনা লৈরি।

অহুমশুবা পোজিসনদা পোইন্ট ২৯ ফংলিবা স্বান্সে সিটিবু ১–০ দা থোইখি।

স্পেনগী কিংস কপ ফুটবোল টুর্নামেন্টতা শম্না মীয়াম্না কোপা দেল রে হায়না খঙনরিবা টুর্নামেন্ট অদুদা এটলেটিকো মাদ্রিদনা এলচেবু ৩–০ দা থোইখি।

বার্সেলোনানা মখোয়গী মেটচতা রিয়েল মুর্সিয়াবু পাঞ্জল ৫–০ দা মায়থিবা পীখি। অমরোমদা সিভিলানা কার্টাজিনাবু ৪–০ দা থোইবা ঙমখি। লোয়ননা রিয়েল সোসাইদেদবু লৈদা স্পোর্ট্যিনা পাঞ্জল ৩–২ দা থোইখি।

হায় কোর্ট ওফ মণিপুরনা অথিংবা থমখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ৩০ঃ

ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসন (অম্ফা) গী মীৎয়েং মখাদা খুমুকচম ইঙোচা সিংহ মেমোরিয়েল ট্রষ্টনা স্পোন্সর তৌদুনা সেপ্টেম্বর ৬ তগী ১২ ফাওবা টিম ১২ না শরুক য়াদুনা আর্টিফিসিয়েল টর্ফ গ্রাউন্দ খুমন লম্পাক অমদি মপাল কাংজৈবুংদা চথরিবা ১২শুবা মণিপুর ষ্টেট লীগ ২০১৭ কা মরী লৈননা চৎলিবা থা অসিগী ১৯ দা ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসনগী আর্টিকল নম্বর ২৯ গী মতুং ইন্না থোকখিবা ওর্ডর অদু চৈরক্কী ওইনা হায় কোর্ট মণিপুরনা অথিংবা থমখ্রে।

ওর্ডর অসিদা ষ্টেট লীগকা মরী লৈননা ইনক্কারি অমত্তা তৌদনা অমসুং করিগুম্বা অমত্তা খঙহনবা তৌদনা ওর্ডর অসি থোকখিবগীদমক চৈরক্কী ওইনা হায় কোর্ট মণিপুরগী এক্টিং চীফ জষ্টিস এন কোটেশ্বরনা ঙসি থোকখিবা ওর্ডর অমনা অথিংবা অসি থমখিবনি।

অথিংবা অসি সগোলবন্দ য়ুনাইটেদকী রিপ্রজেন্ট তৌদুনা সগোলবন্দ য়ুনাইটেদকী জেনরেল সেক্রেটরী আর কে সনায়াইমনা ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসনগী প্রসিদেন্ট শীংনরদুনা কোর্টতা ৱাকৎলকপদগী কোর্টনা চৈরক্কী ওইনা অথিংবা অসি থমখিবনি।